ৱারীমচা

# কালেন থাগী লৈপাকলৈ

(মণিপুরী লোনগী ওইনা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ১৯৮১দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ হায়না ফংখিবা *কালেন থাগী লৈপাকলৈ* গী মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচা)

## এলাংবম রজনীকান্ত (আর কে এলাংবম)




Photo:Sathoulup

লাইরিক ইবা মতমদা আর কে এলাংবম হায়বা মিং শীজিন্নবা এলাংবম রজনীকান্ত সিংহ কুমজা ১৯৩০গী ফেব্রুৱারী ২১দা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, ইম্ফালদা পোকই। মহৈগী থাক এম এ (মণিপুরী)নি। গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী বি এ পাস তৌরকখি। ডি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, ইম্ফলদা ওজা ওইরম্মী। কুমজা ২০০০গী জান্যুৱারী ১৬তা তাইবঙপান থাদোকখি।

অইবা অসিগী মমিং চৎপা লাইরিক খরদি- নোভেলদা *মরুপ অনী* (১৯৫২); ৱারীমচাদা *চীংয়া তময়া* (১৯৫৪), *য়ুমগী মৌ* (১৯৫৬), *কালেন থাগী লৈপাকলৈ*; দ্রামাদা *ঐখোয়গী য়োজনা রামরাজ্য*; শৈরেংদা *মোইরাং খন্বা*; ফুঙ্গাৱারীদা *থায়নগী মণি মুক্তা* (১৯৬১)নচিংবা পনবা য়াই। অইবা অসি *মখল মথেল*, *মীৎয়েং* অমসুং *ঈরা* নচিংবা খোরিরোলগী চেফোঙ খরগীসু খোরিলাংবা (এদিটর) ওইখি। মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী কুমজা ১৯৭৪-৭৫গী জেনরেল সেক্রটরিগী থৌসু পুরম্মী।

**পুন্সি** হায়বা অসি মফম খঙদে, খুদোংথিবনা পীক থল্লি। ঙসি নুংঙাইরম্বা, মীকুপ্তা অৱাবা থোক্তবা নত্তে। পোকপদগী শিবা ফাওবা অসিদা মতম কৌবী লাইরেম্বীনা নোংমা নোংমগী য়োৎশনখি, মীওইবগী ভাগ্য বিধাতাবু। মদুনা পি শিন্থুরি মীওইবনা, অদুবু আশা তৌরি নোংমদি শোইদনা হাঙলবা, কায়রবা থম্মোয়দা অয়ূক্কী নুমিৎনা তরং তরং হুন্দোরকখিগনি। থন্বাল, অয়ূক্কী নুমিৎ মঙান ফংজদ্রবী থন্বালনি। ঙসিগী নুমিৎ অসি খরা থেঙখ্রে। মহৌশা হল্লকপা মতমগা মান্নদে, অহিং অদু পুং মাপন লোম তাখ্রে। থন্বালগী মচানুপা ক্লাস টেন্দা তল্লবা কিশোরনা লাংতক্লনা থোঙ্গান্দা অহুম মরিরক থোক্তুনা য়েংজে। মহাক্কী লাংতক্লবা চিংনবা অসিনা তপথবা ঙমলক্তে মখূৎতা লেমটন অমা পায়রদুনা লমজাউদা মমা ওকপা থোরক্লে।

মখোয়গী খুঙ্গংগী লম্বী অচৌবা য়ৌরকপা মতমদা অথাপ্পদা মমা লাকপা উরমই, শকখঙদবা নুপা অমগা। মদু উবা কিশোরগী থম্মোয় অদু মকশিনখি। করি ৱাখন্দগীনো ‘অহিং অসি মমাগা অতোপ্পা নুপা অমগা লোয়ননা লাকমিন্নবা অদুগীরা’ মমা উরগা হরাও নুংঙাইজগনি খল্লম্বা অদু মীকুপ্তা পুমহোং হোংখি।

থন্বালনা মচা উবদা “ইবুংঙো! নহাক ঐবু ওকপা লাকইব্রা?” কিশোর খুমখিদে। করি অমত্তা হায়খিদে, মমাদা শংত্রিক য়েংদুনা লৈখি। মচাগী মায়থোংদগী ৱাহং কয়া মাগী থম্মোয়দা ফাওখি। করিগীনো হংইবা ৱাহং অদু? হংফম থোকই। মহাক নহানি চহী কুন্থ্রা মঙাদা ঙাইরিবা মৌ নহানি। মমা মচাগী ফোঙদোক্তবা ৱাহং পাউখুমগী মরক অদুদা নুপা অদুনা হায়রকই “ইবেম্মা! নচা লাক্লবনিনা কিররোইদনা” অসি হায়রল্লগা চৎখি।

ঙসিদি থন্বাল মমা মচাগী ইমুংসে ইচিক চিকই। মমা মচাদা ঙাইজরবসু নুমিৎ খুদিংগী ইনুং নুংঙাইনা লৈবা, ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা হরাও তয়াম্বদু ওইদ্রে। কিশোর হান্নগুম্না লাইরিক পাখিদ্রে, ফমুংদা চঙদুনা হিপখ্রে। মহাক্লা পামজদ্রবা থবক অমা মমানা তৌই হায়বগী ৱাকৎপগুম তৌই। মমা থন্বালনা মখোঙ মখূৎ হামদোক্লদুনা ফিশেং শেৎতুনা মচা চাক লাম্লম্লগনি মতাগুম থুনা য়াংনা চাকখুম চঙই। চাক থোংনা থোংনা মপূক্লিংদা খল্লি “ঐগী ইচা কিশোরসে ঐবু চিংনরমাল্লে।” অদুবু মহাক্কী পূক্লিংদদি থৌনা ফৈ, ফিশেং শেৎপী মৌনি, শাগৈগী ঈজৎ মাঙহন্দবীনি। মচাগী অসিগুম্বা ওইনবা অসি উরগা চহী তরামঙাগী মমাঙদা হৌখ্রবা মহাক্কী পুন্সিবু নীংশিং নীংশিংনা মমাঙঙৈদা থোকখিবা থৌদোক পূন্নমক মমীত্তা তরং তরং উরকখি। নুংশি চান্ননা উনখিবা, লৈখিদ্রবা মাগী মপুরোইবা, নৌৱা ওইরিঙৈদগী শকখঙনরক্লবা পাৎকী ঙানু থঙ্গোংনি, লাইজ নুংগী থরো থন্বালগুম লৈশাৎ তল্লক্লবা খুঙ্গং চনুরানি। অদুবু নোংদম্বা বিধিনা চিকথৎখি, মহাক্কী মপুরোইবগী পুন্সিদু, লৈমায়থক্তা কেনখি, মখোৎ কারকপা মতমদা। মতম অদুদদি মহাক্কী মচানীপা কিশোর থা অহুমদগী অঙাং ওইরমই। থন্বালনা মচাবু য়োকপদা কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমগী মফমদগী মতেং লৌখিদে। মপাম লমদমদগী ফাওবা চেং মুত অমত্তং মচাগী চাননবা নিখিদে। মখূৎনা শুদুনা মহাক্কী হুমাংমন্দনা মচাবু থাক্লমই। লৌউবা মতমদা লৌবুক্তা কুমদুনা খূৎলং শুদুনা পৈশা তাল্লি। লৌ শুবা মতম নত্তবদা পৈশা ৱালি চত্তুনা থবক শুই। অসুম্না মচাবু য়োক্লকপদা হৌজিক্তি মহাক্কী মচা অসি পাখং ফারক্লে। চহী তরামরিরোম শুরবা পাখং মচা ওইরক্লে। থাঙ্গৈশেংনমক নৌরবী মৌনহা অসিনা হিংজরিবসি - কনাগী আশাননো? মহাক শাগৈ মৌ ওইরি? নৎত্রগা মচাবু নুংশি।

“চাক লোইরে, কিশোর! কৈদৌরে নহাক্লা তুম্মিবসিবো! নশা ঙমদব্রা?” মমা থন্বালনা হৌদোকই। কিশোরনা তাদে, তাশিন্নদে। মমানা হঞ্জিন হঞ্জিন কৌই “চাক লোইরে কিশোর, নঙবু নশা ঙমদ্রব্রা?”

মমৈথংদা কিশোরনা শাওনা খুল্লকই “কৌরক্কনু, চাক চানীংদে।” শাওনা লাউরকই। মমানা মপূক্লিংদা নোকই, “ঐগী ইচাসে ঐবু চিংনরমাল্লেসে”, অদুবু মহাক্কী মপুন্সিদা মশাগী ঈজৎ মাঙবা থবক অমত্তা তৌখিদ্রি। থন্বালনা হায়রকই “করিনো নঙনা তৌরি’সিবু, ৱারেমখৈ থবক শুরুরগা নহাক্লা অমুক চাক চারোইগা হায়রিবসিবু-।” মহাক্কী ৱাফম অসি চুন্নদগী পাউখুম নত্তে মীওইবগী নুপা নুপীগী, মমা মচাগী ফোঙদোকপা য়াবা য়াদবা পূন্নমক লোইনা য়াওরবনি। কিশোর খুমদে। নুমিৎ অদুগী অহিং অদু থন্বালসু চাক চাদ্রে। ফুঙ্গাদা তুমিননা ফমদুনা অহিং অদু লেনখি।

নোংঙাল্লকপদা অয়ূক্কী পুং ৮ রোম তারকপা মতমদা থন্বাল মফি মরোল, য়াম্না মমল য়াম্বা ফি-রোল নৎত্রবসু মহাক্কী লৈজরিবা ফি-রোল অদু নান্না তরু তরুনা শেত্তুনা থবক শুবা থোরকই। অয়ূক্কী নুংশা মঙাল ফংজরবী লাইজনুংগী থন্বালগুম নীংথিজৈ। লৈকাইগী মীনা “কদায় চৎলিবনো?” হংবদা মহাক্লা খুমখি “কৈথেলদা ফিয়োনফম ফমলে।” অসুম্না ফাগী ওইনা খুমখি। মণিপুরী সমাজগী ফজবা অরুবা, অহেনবা, চীং লেম্বা খুন্নাই অমা থল্লিবসি মণিপুরগী নুপী অয়াম্বনা শরুক য়ারিবনি। মণিপুরগী খুন্নাইদা নুপীগী থৌদাং অসি ওন্থোক্লা পাক চাউখ্রে। লাইরবা অৱা অনং তারবা লাইরবী কনানসু লম্বীদা চাক্লিবী ওইনা চৎনদে, অদুগা চমোৎনবী লৈখোম লৈনাং তৈবী কনাগুম্বী অমতসু লম্বীদা উবা ফংলোই। মপানথোংগী লৈতেং অসিদা নত্তনা মৈতৈ নুপীশিংগী থম্মোয় শেংলবা মক্ত্রবা মঙালসু করিগুম্বদা খূৎশেমগী লৈচিল নোংফাইনা মকশিনহনবা ঙমদে। করিগুম্বা নোংদম্বা বিধিনা নুপী ওইবীশিংগী মরাইবক্কী লংলবা চন্দোন অদু মুখৎখিবা তারবসু মখূৎকী শিন্থা অমদি থম্মোয়গী পাঙ্গলতনা মখোয়গী ভাগ্য বিধাতা অদুবু শেমজৈ। অদুনা মপুন্সি হিংজবদা কনাগীসু মখা পোন্দে। অসিগুম্লবী মৈতৈ নুপীশিংগী লমচৎশিংগী মরক্তা থন্বালসু অমনি। মহাক্তি ঈশিংগী থন্বাল নত্তে। মৈতৈলৈমরোনশিংগী মরক্তা মতম কুইনা নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ শাৎহৌরগদবা মৈতৈ খুন্নাইদা চীং লেম্না শাৎহৌরগদবা থন্বালনি।

নোংমা থন্বালগী মচানীপা কিশোরনা মহাক্কী মরুপ অমগা লোয়ননা অহাংবা লমহাংদা অসুম লময়েংবা চৎলমই। মখোয়না লাকইবা পাক্লবা লমহাং অদুদা চাউরবা মথোল অহুম, মরি ৱাংলবা লৈঙাক্কী লোইশঙ অমা লৈরিবদু উরমই। মফম অদুদা নুপী নুপা পূন্না থবক শুমিন্নৈ। থবক শুরিবা নুপা নুপী পূন্নমক অমনবা চরৈ শেগাইরবা ঙাক্তা শেৎলি। নুংশা মরক অদুদা অচৌবা কোকথোং পুরদুনা হুমাং ওরো ওরো শিন্থরদুনা থবক শুরি। কিশোরনা অকুপ্পা চেক, নূংকুপ, লৈঙোয়নচিংবা পুরিবা অৱাংবা শগায়দা মথং মথং কাখ্রিবা নুপী ময়াম অদুগী মরক্তা অসুম য়েংখিবদা মহাকপু পোকপী থন্বালসু ময়ামগী মরক্তা শেগায়রবা চরৈ শেৎলদুনা হুমাংনা মশা পূন্নমক লুপ্লদুনা থবক শুবা অদু উরমই। মমাবু উবদা মহাক মমীৎ উইশিল্লি। মমাগী ফীভম অদু মহাক য়েংবা ঙল্লমদে। ৱাংলবা শগায় মথক অদুদা মকোক্তা অরুম্বা থুম্মোক পুরদুনা মমানা কাখৎখিবদু। মহাক্লা কয়াদা থম্মোয় শোক্লা ৱাখিবনো? মমীত্তা মপি ওরো ওরো শিন্থনা হন্না য়েংলদুনা মফম অদুদগী অসুম লাপথোকখি।

ঙসিগী অহিং অসি পঙথেঙ থেঙবা নত্তে। সন্ধ্যা মতুং খরদা মথেঙলি। থন্বালসু করিগুম্বা অৱাবা থবক অমত্তা তৌখিদবগুম হান্নগী মতৌগুম্না তনান তনান্না থোঙ হাংদোক্লদুনা ইমুং চঙলকই। মমানা হেক চঙলকপা মতম অদুদা কিশোরনা চেনশিল্লক্তুনা মমাগী মখোঙ পায়দুনা নোংখোঙবগুম কপখি। মচাগী মতৌ অদু উবদা থম্মোয় নৌরবী থন্বালসু খঙহৌদে মমীত্তগী মপি শিন্থখি। ঈহৌরকপা গঙ্গা য়মুনাগী ঈচেলগুম মমা মচাগী মিৎকী পি অনী অদু লৈমায়থক্তা তিন্নখি। করিগীনো হংনদে, কয়াদা নুংশিখ্রবা নৌখ্রবা মমাগী থম্মোয়নো? থোৎলবী মমাগী থম্মোয় ওইদুনসু মৈতৈ নুপীদি কালেন থাগী লৈপাকলৈনি।❍

# অমাংশঙগী শেন্থং

(পাউ চে অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা-২০১৫ দা কন্সোলেসনগী অহানবা মনা ফংলবা ৱারীমচা)



খুরাইজম সুরেস সিংহ

**ইমা** লায়েংশঙদা লায়কন্নরমগনি। মাগী সেবাগীদমক ইচে, ঐগী নুপী অমদি ইচানুপা অহল লৈহৌরি। ঐনা অহল ওইরবা পাবা শেন্নরি য়ূমদা।

শা উরগা তা নীংশিংই হায়বদুনি। ফনা কুইরবনি, স্কিম অমগী মখাদা অমাংশঙ শানবা হায়দুনা ৱার্দ মেম্বরদা শেল পীখিবা। ঙসিদি খোয়দৌ শাওনীংবা অমগা লোয়ননা হেন্না খনজিল্লুই, ফল ফংদবগী।

ঐখোয়গী ইমুং মী তরুক চাই। অহল ওইরবা ইমা, পাবা, ঐগী নুপী অমদি ইচা অনী। মীয়াম অসিনা নেৎথবদা ঐখোয়গী মল্লবা অমাংশঙ খাঙবদা ফনা ৱারবজাৎনি। মচেৎ-মচেৎ কীন্থবা হৌরকখি। ঐনা খরা শেমজিন, ইচাশিংনা খরা চপশিন, ঐগী নুপীনা বোরা শেগায়বনা খরা ফোৎচিন, খাঙলকপা কুইরবনি। লৈঙাক্কী শেন্থং ঙাইনা ঙাইনা। ঙসি ঙরাং অসি শজিবুগী মঙাও থিবা নুংশিৎনা তোয়না লক্লরবদগী ঐখোয়গী অমাংশঙ অদু ইকায়বনা লুকথগে হায়রে। নহা ওইরিবা ঐখোয় মরিদি খরবু ফরি, ঙাকপনে, চেপ্পনে য়ানা য়ানবা অদুমক ফল্লি, অহল অনী অসিনি ৱাকৎলিবা তোয়না,

“অমাংশঙ অসি তেক্লগা নন্দুনা শিখ্রবদি নখোয় পেলহৌরোকো, মীথিবোংশা।”

“হাপ্তা অমগী মতুংদা লেমহৌরিবা মচাকশিং পুরক্লগা পুমলোই লোইশিনগনি।” অসি হায়রল্লগা থা ফাজিল্লক্কদৌরে লাকখিদবা অমাংশঙ শাবা কাঙবু অদো। ফনা মওং মালহল্লন্নপোৎনি কোম অনী অমদি ফম্বাক নীংথিনা লোইশিল্লম্মী। মখোয়গী হাপ্তা ফনা শাংই। শীজিন্নবা য়াদ্রিবা শক্তমশিং অদু উজবদা ফাওবা ফনা হরাওজরবনি অহল অনীদো। নিন্দা তৌবদি লেপখিদে,

“মসিবু শীজিন্নবা নংখিদ্রা খঙদ্রেনে, শোনজিল্লকপসিদা, হৌজিক্কানগী থবক মতৌসিগা!”

লাইবক থিবা থৌদোক হায়বদুনি, ঙসি অয়ূক মতম ঙাইদুনা লৈরম্বা ঐখোয়গী অমাংশঙ শোল্লবী ইমানা খোঙ হেক থাংজিল্লুবগা নীংখায়রকখি। ইমাবু ননশিনখি ফীভম থীনা। মহাক ৱাখল তাখিদ্রে, কৌবা-ঙাঙবা খুমখিদ্রে। লায়েংশঙদা পুখৎলুরবা মতুং অশোনবা ইপাগীদমক খল্লগা তন্না হল্লকখিবনি ঐ পাউ ঙাইরি ইমাগী। ঐনা নুংশা থিরিবদি লাইয়েংশঙ য়ৌনবা হোৎনবদা হোৎনবদা কাংকৃৎ মথক্তা শোল্লবী ইমাগী হকচাংবু ফনা ফজনা ওৎপিখ্রে। নুংঙাইফম খঙদে হিংলিবনি হায়দুনা তৌরিবসে। শোক্লু শোক্লুবদা তীলাইখোম্বী পংচুদা চুই। লম্বী শেম্বা হৌখিবা চহী ওল্লক্লে, লোইবা কৌবদি লৈতে, লম্বীদা কোম মশীং হেনগৎলকপদি লেপ্পে।

পাবসু ফনা ফজনা শোল্লবনি, মী মশক-মশা খঙজিল্লক্ত্রে, কৌরক্লবদি অদুমক খুম্মী। খোং হামফমসি কমদৌদগে, হায়দুনা হৌদোক্লকই ঐঙোন্দা। ঐসু কৈথেল নংনবা হায়দুনা কোম মচা অমা তৌবিরে লোয়ননা ফকনা কাবুক কাবুক কোয়শিল্লগা মাগী নীংবা ফাওবদি থুংহনখ্রে। উপায় লৈত্রে খঙলবদা ৱা মখা তারকখিদ্রে।

ইচেগী ফোন লাকই। ঐ পাখৎনা পায়খৎলি। “ইমা লৈত্রে!” মসি নত্তবা ৱা মখা তারক্তে। মনাক নকপদা কপ লাউবগী খোঞ্জেল তায়। ফোন থমখ্রে, লুরীবদি পাবদা পাউ অসি করম্না তম্লুনি! ঐ ঙাওচৎনৈ, য়াম্না পেল্লকত্রে। অমাংশঙ অহনবা অমবু লাইনীং ওইজরম্বীনি মহাক, শীজিন্নবা নংদনা শিখ্রে। হৌজিক ঙাইহাক্কী তুংদা পোৎলোয়নবা মরাং মরাং তৌনরক্লনি। ইমাবু কমদৌনা লৈখিদ্রিবা কনাসু শীংথাবিরোই। মহাক অমাংশঙ অমনবা অদুনা হাৎপনি, লৈঙাক্কী শেন্থং থাজনা ঙায়রুবা ঐগী ইরালনি। ফনা অহল ওইরবসু ইমাবু নুংশি, শিহন্নিংদে।

তৌফম খঙদ্রিবা ময়ামগী মরক্তগী অনী খনগৎলবদি পাবদা ইমা লৈতবগী পাউ কমদৌনা তম্বা অমদি কনাগী অমাংশঙদনো ঐনা ফমলুদৌরিবা করিগুম্বা পুবা ৱারক্লবদি!❍

হন্দোকপা

# চিঠি

***লামায় ৬ কী মখা...***

“অঙাওবা হায়বা জাৎ ’সিসু অঙকপনিকো” পোষ্ট মাষ্টরদুনা হায়রকই।

“হোয় সার, অমুখক ঐনা অহমেদবাদতা করিমতা হেক ... অদুনা লৈঙোয় পৈখত্তুনা শান্নবা অঙাওবা অমা থেংনখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা তুরেলদা নুংতিগী চত্তুনা নূং অমদা ঈশিং খরা খরা হৈরুবা অঙাওবা অমসু।”

“এ! অদুদি করিসু নত্তেদা”, অতোপ্পা অমনা মরক থৎনা অঙাওবগী ৱাফমদু য়ানিংবা উৎতুনা হায়রকই, “ঐনসু ঙাওবা অমখক থেংনখি। হঙ্গৎ হন্দা অসুম নুমিৎ চুপ্পা চত্তুনা লৈবা। অদুগা অতোপ্পা অমসু শৈরেং থীবা সুক্লেপ লেপ্তুবা, অদুগা অতোপ্পা অমনা মথন্তা মখজাইদা খুবাক্লা থাজবা অদুগা মীনা ফুবিরল্লে হায়দুনা পঙকপ্তা কপ্পা।”

অদুদগী পোষ্ট ওফিসতুদা লৈবা মীওই খুদিং থাশী-থানৌ হৌবগী মরমদা অমুক ৱারী শান্নবা হৌরক্লে। থবক শু-নোমদুনা হিংবা থাক্কী মীওইশিং পূম্বা করিগুম্বদা মখোয় মশেন পুনশিন্দুনা ৱারী ৱাতাই ঙাইহাক শাদুনা পোথাবগী হৈনবী লৈনৈ। ঙৈহাক ঙাঙনরিবদু তারল্লবা পোষ্ট মাষ্টরদু হৌগৎলক্লম্মী অদুগা হায়রকই।

অঙাওবশিং অসিসু মখোয়গী ওইবা সংসার অমা লৈবা মাল্লি। মখোয়নদি ঐখোয়বুসু অঙাওবা ওইনা খল্লম্বসু কনানা খঙবা ? ঐনা খনবদদি অঙাওবা মীগী সংসারসিসু কবিশিংগী সংসারগুম্বনি।”

ৱাহৈশিংসি হায়বদা মহাক্লা শৈরেংকাসু হেক হেক ইবা ক্লার্ক অমা য়াওরিবা অদোমদা ওনশিন্দুনা নোকফেৎ তৌরম্মী। অদুদগী মহক থোকখ্রে ওফিসতু অমুক তুমিন্না লৈনখ্রে।

নুমিৎ কয়ানিমরুমদি অলিদু পোষ্ট ওফিসতা খোঙদারকখিদ্রে। করি কমদৌবদগী মহাক লাকখিদ্রিবনো হায়না মিনুংশি উৎকদবা নুংনাংবিগদবা কনাসু লৈতে। অদুবু পূন্নমক্লা মহাকপু করিনা লাকখিদ্রিবনো হায়বগী খঙনীংবদি মখোয় লোইনমক লৈরম্মী।

কুইনগী তুংদা মহাক অমুক লাক্লে। অদুবু শ্বর হোনবা য়াম্না ৱারবগুম উরে অদুগা মায়থোঙদু উবদা কুইনা হিংলরোইদবগুম মমি তারে। নুমিৎসিদদি মহাক্কী ঙাইঙমদবগুম ইচঙ থৌবদু উবা ফংখিদ্রে।

“মাষ্টর স্যাহেব!”, মহাক্লা করিগুম্বা অমা নীংবগুম হায়জরকই, “ঐগী মেরিয়ম্না থারকপা চিঠিকা লৈ লাকপ্রা?”

পোষ্ট মাষ্টরদু খুঙ্গং অমদা চৎকনি হায়দুনা হাথু হাথু তৌরিবসিনি।

“কয়াদা য়েৎথ্রবনো তাদা নঙসে!” পোষ্ট মাষ্টরদুনা লাউবোই করিবোই হায়রকই।

“ঐগী ইমিং অলি হায়বনি” অলিনা তরঙনা খুল্লকই।

“হোয়নে ঐ খঙইনে। অদুবু নঙগী মেরিয়মগী মিং ঐখোয়দা ইদুনা থম্বসু নত্তে?”

“অদু ওইরগা অমুক্তা ইশিনবীয়ু ইনাও ইবুংঙো করিগুম্বা ঐনা অসিদা লাক্ত্রকান্দা মদুনা কান্নরকপসু য়াই।”

মাগী মেরিয়মবু মহাক্কী মমিৎতদা লুনা উজবনি, কনাগুম্বশিংগী মফমদদি করিসু ওইবা নত্তে, করিসু মরী লৈনবা নত্তে হায়বদু পুন্সিগী অহুম থোকপগী অনী শাদানবগী পুন্সিদা হৌখ্রবা খুঙ্গংগী চন্নবা মহাক্লা করম্না খঙগনি।

পোষ্ট মাষ্টরদু অশাউবা ফাথবা ঙল্লক্তুরে, “নঙবু জ্ঞান অমতা য়াওদ্রবরা?” মানা লাউরকই, “চৎখ্রো চৎলো। নঙগী চিঠিদু লাক্লগা ঐখোয়না চাথোকখিদৌ মানব্রা?”

অসুম্না শাউজিল্লম্লগা মহাক থুনা য়াঙনা চৎখ্রে। অলিদু পোষ্ট ওফিসতু য়েংনা য়েংনা তপ্পা তপ্পা খোঙ থাংদোক্তুনা নীংবা কায়না থোক্লক্লে। মমিৎ অনীদা উপায় লৈতবগী নীংবা কায়বগী পিনা কাইহৌররে। মাগী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গলদু মমি শাল্লক্লে। অদুবু হৌজিকসু চিঠি লাকখিনি হায়না থাজরি। খঙদে, কমদৌনা মেরিয়মদগী চিঠি আশা তৌরিবনো।

অলিনা মাগী তুংদা ক্লার্ক অমা লাকপগী শহুম ফংলম্মী। মদুদগী ক্লার্কতুদা লৈশিল্লম্মী।

“ইনাও ইবুংঙো।” মহাক্লা কৌরম্মী।

ক্লার্কতু ইঙক ঙক্লম্মী। অদুবু কুইনা উরক্লবা মী ওইরম্বদুদা হংলকই,

“কৈদৌরবা?”

“সি য়েংউ।” অসি হায়দুনা অলিনা টিনগী উপু মচা অমা পুথোক্লম্মী। অদুগা সনা মচুগী শেঞ্জোই খরা ইঙক ঙক্লা য়েংলিবা ক্লার্কতুগী মখূৎতা উপুদুদগী হৈথরক্লম্মী।

“ইঙক ঙক্কনু সে” মানা মখা চথরকই, “মসি নঙোন্দদি কান্নরকপা য়াই অদুবু ঐঙোন্দদি করিসু কান্নররোই। অদুগা নহাক ঐগীদমক থবক অমত্তং তৌবিগেরা।”

“করিনো?”

“মথক্তগীসি উবরা য়েংউ?” অলিনা অতিয়াদা খুদোম্বীনা থিল্লদুনা হংলকই।

“স্বর্গনি”

“মসিদা অলা লৈবনি। মহাক্লা শাক্ষি ওইরগা ঐনা মসি নঙোন্দা পীরিবনি। অদুগা নঙনা ঐগীদমক তৌবিগদবসি, ঐগী ইচাগী চিঠি লাকপগা ঐগীদা থিনবিরক্কদবনি।”

“অদুবু মফমদু কদায়দনো - কদায়দনো ঐনা মসি থিল্লক্কদৌরিবসি?” ইঙাও ঙাওরবা ক্লার্কতুনা হায়রকই।

“ঐগী মঙফমদা।”

“করিঅবা?”

অশেঙবনি ঙসি ’সি ঐগী অরোইবা নুমিৎ ওইরবা য়াই, ঐগী অরোইবা নুমিৎসিদা ঐগী ইচানুপী মেরিয়ম্বু অমুক্তং উবা ফংদবা ’সিনি ঐগী অৱাবা। মঙোন্দগী চিঠি অমতসু ফংবা লৈত্রে।”

অলিগী মমিৎতা পিগী ইরা ইহৌরকপদুগা ঈরোইননা ক্লার্ক অদুসু মহাকপু থাদোক্তুনা তপ্পা তপ্পা চৎখ্রে । চৎনা চৎনা শেঞ্জোয়শিংদু মাগী ফুরিৎখাউদা হাপচিনখ্রে।

নুমিদাংসিদগী অলিবু অমুক হন্না উখিদ্রে অদুগা কনানসু মাবু থিরুবগী খুদোংথিবদু লৌরুদ্রে।

অদুম ওইনমক নোংমা অলিগী চৈথেংদুমক পোষ্ট মাষ্টর অদুদা থুংলরে। মাগী মচানুপী অতোপ্পা সহর অমদা নাদুনা লৈরে হায়রকপা অদুগা মদুগী মখা করি থোক্লিগবা হায়বা পাউদু মহাক্লা খৌরাংনা ঙাইরি।

হৌজিক চিঠি ময়াম য়াওবা খাউদু পুশিল্লক্লে অদুগা চিঠি ময়ামদু টেবল অদুদা পৈররে। মাগী মীৎয়েংদু মশক মচুদা তোপ তোপ্পা করিগুম্বা অমা ওইবা য়াই হায়না থম্মোয়দা ফাওবা চিঠি অমদা চিংশিনখ্রে। চিঠিদু পায়রুরগা মৈনা চিংবগুম খংথা থাদরম্মী। ওফিসকী থবক কুইনা তৌরকপগী কনশিল্লবা থম্মোয়দুনা মাবু থাদোক্তুনা অৱাবা খোয়রাংবা পুন্সি অমদা নমশিনবিরম্বগুম, অদুগা মীনুংশিনা থল্লবা মীওইবগী থম্মোয় অমা পীশিল্লম্বগুম ফাওরকই। অহল অদুনা কুইনা ঙাইরম্বা চিঠিদুনি হায়বা খঙলে, মসি মাগী মচানুপী মেরিয়মদগী ওইবা তাই।

“লক্ষ্মীদাস”, পোষ্ট মাষ্টরদুনা কৌরকই। মহাকসিনি অলিনা মাগী পৈশাদু শিন্নরম্বা নুপাদু।

“করি তাকপীগদবা সার?”

“সে নঙগী পোষ্ট মেন অলি হায়বা অহলদুগীনি। মাবু হৌজিক কদায়দা লৈখ্রবনো?”

“ঐ থিজরগে সার।”

“পোষ্ট মাষ্টরদুগী মহাক মশানা ঙাইরিবা চিঠিদুদি লাক্তরে মহাক অহিং চুপ্পদু খোইরাংলম্মী। অদুনা পুং অহুমদা হৌগৎতুনা ওফিসতা চত্তুনা ফল্লম্মী। মহাক্লা খল্লকই, “হোরেন অলিনা পুং ৪ তাবদা লাকপদা মাগী চিঠিদু ইশামক্লা পীরগে ?”

হৌজিক্তি পোষ্ট মাষ্টরদু অলিগী থম্মোয়দা ফাওখিবদু খঙলকপগুম তৌরে। মাগী থম্মোয়দমক ফাওররে। ঙাইঙমদ্রবা অহিং অমা হৌখ্রবা মতুংদা, মচাগী চিঠিবু খৌরাংনা ঙাইবদা ৱারবা অসিদদি, চহী মঙা চূপ্পা অহিং কয়া ঙাইনা ঙাইনা হৌখ্রবা, উপায় লৈখিদ্রবা অহল অদুগী নুংশিবগী মীনুংশিনা মাগী থম্মোয় পাথোকপমখৈ হৈজিল্লরে।

মঙাগী পুংজা য়ৈবা মতমদা থোঙদা নাশোন্ননা থীনখিবগুম্বা অমা তারম্মী। অলি শোয়দনা ওইরমগনি হায়না থম্মোয়দা ফাওরম্মী। মহাক মাগী চৌক্রিদগী থুনা হৌগৎলকই। মাগী শোক্লবা মপা অমগী থম্মোয়দুনা অতোপ্পগী অৱাবদু ফাওরক্লে। অদুগা থোঙদু লাউনা হাংদোক্লুরে।

“চঙশিনবীরকউ ইয়াম্বা অলি।” মহাক্লা চিঠিদু মোং হাদ্রবা চহীনা লুমথদুনা কোন্থরবা, মপান্দা লেপ্পিবা অহল অদুদা পীরদুনা হায়রম্মী। অরোয়বা ক্লার্কতুনা ৱারী শাখিবা মতমদুদদি অহলদুগী মায়থোঙদু মীৎকী পিনা চোৎলদুনা মখূৎতা চৈশু অমা পায়রদুনা উখিবনি। মতমদুগী ফীভমদু কল্লিবগুম উখি। অদুবু ফীভমদু ঙসিদি থৌজাল অমদি মীনুংশিনা থোৎহনবগুম উরে। মমিৎশিংদু তরংদা য়েংলদুনা মীৎস্নাশিংদু মালেমসিদা অমুক্তা উদ্রিবা মওংগুম লংখৎনা উরি। মদুনা পোষ্ট মাষ্টরদু ঙকপগুম কি-তুজুংবগুম তৌরম্মী।

পোষ্ট মাষ্টরদুনা মতোমতা হায়খিবা ৱাফমদু লক্ষ্মীদাসনা ক্বার্টর অমরোমদগী ওফিসলোম তম্না লাকপদা নাশোন্ননা তাহৌরম্মী।

“কনাবুনো সার? ‘অলি হায়বা অহলদুরো?” মানা হংলকই। অদুবু পোষ্ট মাষ্টরদুদি মহাক্লা হায়রিবদু তারমদে। মাদি অলিনা মাগী মীৎমাঙদগী তপ্পা তপ্পা মাঙখিবগুম তৌরি থোঙ অদোমদা তরং চত্তুনা য়েংলি। কদায় তান্ননো মহাক্লা চৎলমদৌরিবা? মমৈথংদা মহাক লক্ষ্মীদাসরোমদা ওনশিল্লক্লে। “হোয়! অলিদনি ঐনা হায়রিবসি” মহাক্লা হায়রকই।

“অলি হায়বা অহলদুদি শিখ্রে সার। মাগী চিঠিদু ঐঙোন্দা পীবিরো।”

“করি হায়বা! কয়াম কুইখ্রবা? লক্ষ্মীদাস নঙনা হায়রিবদু শোয়দ্রবরা?”

“অহোয় সার, অচুম্বনি” ক্লার্ক অদুনা হায়রকই, “অহলদু থা অহুমগী মমাঙদা লৈখিদ্রবনি।”

পোষ্ট মাষ্টরদু কঙাওনরম্মী। মেরিয়মগী চিঠিদু থোঙজিন মপান্দা তারি অলিগী শক্তমদু হৌজিকসু মাগী মীৎমাঙদা উবগুম তৌরি। অলিনা অরোইবা ওইনা লক্ষ্মীগা শান্নখিবা ৱারীশিংদু নাকোংদা তাবগুম তৌরে। অদুগা হৌজিক্তা থোঙদা থীল্লকপগুম তৌখিবা মাগী মমীৎতা পিনা থুমহৎনা ৱাখলদা উখিবা অলিদু অশেংবগুম খল্লি পোষ্ট মাষ্টরদুনা। মহাক তশেংনা চমন্নরে। নৎত্রগা লক্ষ্মীদাসপু অলি ওইনা উরুরে।

নুংতিগী চথুবা থবকশিংদু হৌরে। ক্লার্ক অদুনা মিং লৈফম্নচিংবশিং হৌনা পাবা হৌখ্রে- পুলিস কমিস্নার, সুপরিন্টেন্দেন্ট, লাইব্রেরিয়ান - অদুগা চিঠিশিংদু মাগী মাগী নাকন্দা হৈশিংনা লংখ্রি।

অদুবু পোষ্ট মাষ্টর অদুদি মখোয়না তৌরিবা অদু থৱায় চঙনা য়েংলি। চিঠি অমমদং লংবা খুদিং থম্মোয়দা তিঙ তিঙ পানবগুম তৌরি। হৌজিক মহান্না চিঠিশিংদুবু ইনভেলপ ইনলেন লেটর, পোষ্ট কার্দ হায়না উদরে, মদুবু মীওইবগী ওইবা নুংগী মিৎয়েংদা চিঠিগী মমল লেপ্লে।

হায়রিবসিগী নুংথিলদা নহাক্লা লক্ষ্মীদাসকা পোষ্ট মাষ্টরদুগা অলিগী মঙফম তম্না তপ্না চৎখবদু উরমগনি। মখোয়না চিঠিদু মঙফম মথক্তুদা থল্লম্মী অদুগা লৈথোক্লক্লে।

“লক্ষ্মীদাস, তশেংনা ঙসি অয়ূকসি নঙনা মফমসিদা ইহান হান্না থুংলব্রা?”


“হোয় সার, ঐনা ইহান হাল্লে।”

“অদু ওইরবদি কমদৌনা ... নত্তে নত্তে। ঐসি খঙদেদা।

“করি তৌরবগে সার?”

“ও! করিসু নত্তেদা, খল্লুরনু” পোষ্ট মাষ্টরনা তেনশিনখিরম্মী। ওফিস য়ৌরবদা লক্ষ্মীগা কায়নরে অদুগা ওফিস রোমদা চঙখ্রে। মপা ওইবগী থম্মোয় ঈহৌ অমা হৌরক্লিবদুনা মঙোন্দা চঙলক্তুনা অলিনা মতমদুদা খোয়রাংখিবা, নুংনাংখিবদু মশক খঙলুঙৈদগী ওৎলরে। হৌজিক্তি অহিং অমগসু খৌরাং খৌরাংনা, লৈতাদনা লেনবা তারি। চিংনবা, নুংনাংবগা ওৎলবা মহাক্তু মৈনিল থোক্লা চাক্লিবা মৈফুগী মনাক্তা কালেনদা লৈবগুম মখা তানা ঙাইথনবা ফমথখ্রে।❍

*(হিন্দীদগী ইংলিসতা হন্দোকপা : অইবা মশামক*
*মণিপুরীদা হন্দোকপা : সনসম নবদ্বিপ)*



ধুমকেতু হায়বা মমিং শীজিন্নদুনা ইবগী লমদা মঙাল নাইখিবা গুজরাটি লোনগী ৱারীমচাগী লময়ানবা অইবা অসিগী অশেংবা মমিংদি গৌরিসঙ্কর গোৱ্বনরাম জোশী কৌই। অইবা কুমজা ১৮৯২গী দিসেম্বর ১২দা গুজরাটকী রাজকোট অমসুং গোন্দাল মনাক্তা লৈবা ভিরপুর কৌবা লম অমদা পোকখি।

অইবা অসিনা ৱারীমচাগী লাইরিক ২৪, নোভেল ৩২ য়াওনা পূন্না লাইরিক ২৫০গী মথক্তা ইদুনা ফোঙলম্মী। অইবা অসিগী খূৎই অসি দ্রামাটিক ষ্টাইল, রোমান্তিসিজম অমসুং হ্যুমেন ইমোসনগী মতাংদা য়াম্না লুথনা ইবগী মমি তাই। অইবা অসিগী অহানবা ৱারীমচা লাইরিক *তানকা* কুমজা ১৯২৬তা ফোঙখি। হায়রিবা মমিং অসিমক্তদা ৱারীমচাগী লাইরিক ভোল্যুম মরি ফোঙখি। হায়রিবা ভোল্যুম মরিগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি গুজরাটি খোরিরোলগী মাইল-ষ্টোন অমনি হায়না ঙসিসু শীংথানরিবনি।❍